
মোদি সরকারগী গরেন্টী
লায়রবা খূদিংমক লেম্না লায়েংবগী খূদোংচাবা
চহী খূদিংগী মীওই ক্রোর ৫৫দা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী অনা লায়েংগী থাজবা পীরি
হমারা সনকল্প ভিক্সিট ভারত
অকুপ্পা মরোলগীদমক স্কেন তৌবীয়ু
CBC 22201/13/0226/2324

১১রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) লংথবালনা য়ু সী সী (রেদ) উরিপোকপু ৱিকেট ১০দা লাকচনা থোইখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) ইম্ফালনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থদুনা লাকখিবা ১১রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) লংথবালনা য়ু সী সী (রেদ) উরিপোকপু য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস য়ু সী সী (রেদ)না ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা য়ু সী সী (রেদ)না বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা টিম অদুগী বিরাল অমসুং জুগলকিশোরনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন অনীনা হৌগৎলকপদা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিং মায়োক য়াদুনা শান্নখি। বিরালনা বোল ১৮ মায়োক্লবদা রন ১০ অদুগা জুগলকিশোরনা বোল ১৫ মায়োক্লবদা রন ১৬ লৌরক্লগা আউট ওইখি। অদুমওইনমক মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী য়ৌনা রনশিং লৌবা ঙমখিদে অমদি মায়োক্লরিবা বোলরশিংগী এটেকতা মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমদবদগী ক্রিজতা কুইনা লৈবা ফাওবা ঙমখিদে। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ১৫.৪ শুরকপদা টিম অসিগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ৫০ খক্তমক লৌখি।

অমরোমদা, ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না টার্গেট রন ৫১ লৌবা ঙম্বা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা পারসমণি অমসুং ভিস্মনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী ওপনর বেটসমেন অনীনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াবা ঙমখিবগা লোয়ননা ক্রিজতা মতম শাংনা খাঙদুনা লৈবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওপনর বেটসমেন পারসমণিনা বোল ১৬ মায়োক্লবদা রন ১৯ অদুগা ভিস্মনা বোল ২১ মায়োক্লবদা রন ২৮ লৌরগা আউট ওইদনা লৈখি অমদি মখোয়না ফংখিবা এক্সট্রা রনশিং অদু য়াওরগা টার্গেট রন ৫১ ইন্নিংস অদুগী ওভর ৬.১ য়ৌরকপদা ৱিকেট অমত্তা তুদনা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ১০দা থোইবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী এল শশিনা তাখি। মহাক্না ওভর ৪দা ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমখি।

হয়েংগী ওইনা মেটচ অনী লৈগনি। অহানবা মেটচনা অয়ূক পুং ৯ তাবদা এল সী সী সী লিলোং চজিং অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্লুংগী মরক্তা অদুগা অনীশুবা মেটচনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী চেম্প খাগেমপল্লি অমসুং ৱাই য়ু সী সী মোইরাংপুরেলগী মরক্তা শান্নগনি।

খাঙবোক কেন্দ্র ৫-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

কে ৱান এভিএসননা পি ৱাই সী খাঙবোক মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): গলি ফুটবোল ক্লব খাঙবোকনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫দগী হৌরগা খাঙবোক মাইস্নাম লৈকাই মণ্ডলম্পাক্তা চত্থরকখিবা ৫রক শুবা খাঙবোক কেন্দ্র ৫-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর কে ৱান এভিএসন খাঙবোক পার্ট-১ অৱাং লৈকাইনা ওইখ্রে।

পূন্না টিম ১৪না শরুক য়াদুনা চত্থরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে ৱান এভিএসননা পি ৱাই সী খাঙবোক পার্ট-৩ মখা লৈকাইবু মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংগী হৈ-শিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে। পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং হৈ-শিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা অরেম্বদা তাখি। নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা ৱিন্নরগী টাইটল লৌনবগীদমক মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উথোক্তুনা শান্নরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা অদুম্মক চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু কনানা মায় পাক্নদগে হায়বা য়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংনা হায়বা ঙম্লখিদে। অদুমওইনমক অনীশুবা হাফ লোইরমদাইদা কে ৱান এভিএসনগী মায়কৈদগী খঙহৌদনা চত্থরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু কে ৱান এভিএসননা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্নুনা টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

ঙসি ফাইনেল মেটচকী থৌরমদা খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, গলি এফ সী খাঙবোককী প্রসিদেন্ট এম নবচন্দ্রনা থৌরম মপূ অদুগা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর থৌবালসু ওইরিবা নেসনল বেষ্ট কোচ এৱার্দী দেবেন মোইরাংথেম অমদি কে দি এ এস য়ু খাঙবোক্কী প্রসিদেন্ট টি ঐচ কিরন মীতৈনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী মীথুংলেনশিংনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর, রর্নস অপ, বেষ্ট প্লেয়র অমদি বেষ্ট গোলকীপরদা ট্রোফি অমদি শেলগী মনাশিং য়েন্থোকখি।

অহানবা দবং ট্রোফি ২০২৪

এস এম এফ সী অমসুং লক্কি বোইজ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): দবং বোইজকী শেন্থং মখাদা ওল সঙ্গাইয়ুম্ফম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ এস এস এ)না শীন্দুনা এ এস এস এ সঙ্গাইয়ুম্ফম প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা দবং ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ৯-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা এস এম এফ সীনা পি এস দব্লিয়ু এ এস অদুগা লক্কি বোইজনা অন্দ্রো এফ সী মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা অল অমিন অমসুং শরুখ এফ সী দ্রো চৎখ্রে।

ট্রোফি অসিগী ওইনা ঙসি এস এম এফ সী অমসুং পি এস দব্লিয়ু এ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাং মান্ননা শান্নবা ঙম্লবসু মেটচ অদুগী ৭ অমসুং ৮ শুবা মিনটতা পি এস দব্লিয়ু এ এসকী শান্নরোয়শিংনা থংন-থংননা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-০দা এস এম এফ সীদগী মাংজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদা এস এম এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা ২৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা অদুগা ৩২ অমসুং ৩৫ শুবা মিনটতা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চন্দুনা মেটচ অদু এস এম এফ সীনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখিবনি।

অল অমিন অমসুং শরুখ এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মেটচ অদুগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ০-০দা দ্রো চৎখিবনি।

অমরোমদা, অন্দ্রো এফ সী অমসুং লক্কি বোইজকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা লক্কি বোইজনা পাঞ্জল ১-০দা অন্দ্রো এফ সীবু মায়থীবা পীখিবনি। পাঞ্জল অদু এম দি সামসনা চনখিবনি।

১৬শুবা মোন্সাং স্পোর্টস মীট ২০২৪

নুপীগীদা পান্থা অমসুং লিৱা সরৈ অদুগা মেন ওপনগীদনা পান্থা অমসুং চংনিং ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): মোন্সাং স্পোর্টিং এসোসিএসন (এম ও এস এ)না শীন্দুনা চান্দেলগী লিৱা সরৈ ফুটবোল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৬রক শুবা মোন্সাং স্পোর্টস মীট ২০২৪গী ওইনা ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী সেমীফাইনেল মেটচশিংদা পান্থা অমসুং লিৱা সরৈ মায় পাকখ্রে। অদুগা মেন ওপনগীদনা পান্থা অমসুং চংনিং মায় পাকখ্রে।

অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবদগী হৌরগা নুপীগী অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা পান্থা অমসুং দব্লিয়ু এস পি কেগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুগী ওইনা মেটচ অদুগী ৩৩ শুবা মিনটতা পান্থাগী এস ঐচ অলিসানা দব্লিয়ু এস পি কেগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবা দব্লিয়ু এস পি কেগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পান্থানা পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অয়ূক পুং ১১ তাবদগী হৌরগা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা লিৱা সরৈ অমসুং চংনেগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা লিৱা সরৈগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৫-০দা য়াম্না লায়না থোইবা ঙমখিবনি। লিৱা সরৈগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৮, ১৯, ৩০, ৩২, ৩৫ শুবা মিনটতা টিম অসিগী দব্লিয়ু গ্রেসমীনা থংন-থংননা চনখিবনি। থা অসিগী ৩০ নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবদা পান্থা অমসুং লিৱা সরৈ অনীগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।

অমরোমদা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী হৌরগা মেন ওপনগী সেমীফাইনেল মেটচ পান্থা অমসুং জাফৌগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পান্থানা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। পান্থাগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১৫, ৭০ অমসুং ৮৪ শুবা মিনটতা সেমসন, হেনরি অমসুং রোলিশনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা জাফৌগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ৬২ শুবা মতমদা লিয়ালনা চনখিবনি।

অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা চংনিং অমসুং চংনেগী মরক্তা শান্নখি। মেটচ অদুগী ওইনা চংনিংগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। চংনিংগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৮ অমসুং ১৫ শুবা মিনটতা এন জি কোন্থাংনা অনী অদুগা ৩৫ শুবা মিনটতা এন জি বিশোরজিৎনা অমা চনখিবনি। ফাইনেলদা পান্থা অমসুং চংনিং লম্বা তৌনরগনি।

অন্দর-১৩ খেলো ইন্দিয়া গর্লস ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪

ৱিমেন ফুটবোল একাদেমিনা খুমন এফ এ অমসুং ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিএসননা এ এম এম এ থোইখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সী ৱাই এল সী গ্রাউন্দ পিশুম লম্পাক চীংঙা মথক্তা চত্থরিবা অন্দর-১৩ খেলো ইন্দিয়া গর্লস ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ৱিমেন ফুটবোল একাদেমিনা খুমন এফ এ অদুগা ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিএসননা অন্দ্রো মহিলা মণ্দল এসোসিএসন (এ এম এম এ)বু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা ৱিমেন ফুটবোল একাদেমি অমসুং খুমন এফ এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱিমেন ফুটবোল একাদেমিনা য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৯-২দা থোইখিবনি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১, ১৯, ৩১, ৪৪ শুবা মিনটতা টিম কেপ্টেন মালেমঙানবী নাওরেমনা মরি, ১৭, ৩৬ শুবা মিনটতা য়াম্বেম সরিতানা অনী, ৩৯, ৪৯ শুবা মিনটতা মঙাললৈবী ইরোমনা অনী অদুগা ৩৭ শুবা মিনটতা গুনগুননা অমা চনখিবনি। খুমন এফ এগী পাঞ্জল অনী অদুনা মেটচ অদুগী ৪০ অমসুং ৪২ শুবা মিনটতা আইসাস সিদিকা অমসুং হাওবিজম ভেলেন্তিনা চনুনা চনখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী রেফরিনা দেবলা এলাংবম, এসিষ্টেন্ট রেফরিনা নংসা টেসিলফুন অদুগা ফোর্থ ওফিসলনা রোশিনী চনু মাইবমনা ওইখি।

ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং এ এম এম এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিএসননা পাঞ্জল ৭-২দা মায় পাকখিবনি। পাঞ্জলশিং অদু ৩৩ অমসুং ৩৫ শুবা মিনটতা অসেম বিদ্যালক্ষ্মীনা অনী, ১৩ শুবা মিনটতা লাইশোম লমজিংলেম্বীনা অমা, ২০ শুবা মিনটতা সরাংথেম রিনানা অমা, ২৯শুবা মিনটতা মুতুম বসন্তিপুজা চনুনা অমা, ৪৫ শুবা মিনটতা লিন্থোই হেমামনা অমা চনখিবনি। অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল অমনা মেটচ অদুগী ১০শুবা মিনটতা এ এম এম এগী সঞ্জেনবম জন্সিরানীনা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা চনশিঞ্জখিবনি। অমরোমদা, এ এম এম এগী পাঞ্জল অনী অদুনা মেটচ অদুগী ১২ অমসুং ১৪ শুবা মিনটতা লৈশ্যুংবম দিম্পল অমসুং খুনুংময়ুম মোনালিসানা অমমম্ চনখিবনি। মেটচ অসিগী রেফরিনা বিমোলবালা অদুগা এসিষ্টেন্ট রেফরিনা ইচননা ওইখি।

জেমসকুমার অমসুং অমর্জিৎপু মেটচ কম্মিস্নর ওইনা হাপখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): হয়েংদগী হৌরগা য়ুনাকো রেসিদেন্সিএল স্কুল চনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা য়ুনাকো ট্রোফি ২০২৪গী মেটচ কম্মিস্নরশিং ওইনা এস জেমসকুমার অমসুং ঐচ অমর্জিৎ মীতৈবু এপোইন্ট তৌরে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এস জিতেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না অহানবা য়ুনাকো ট্রোফি ২০২৪গী রেফরি এসেসর ওইগদৌরিবশিংনা এল তরুনকুমার অমসুং পি ঐচ লন্থোইবনি। অদুগা রেফরি ওইনা লৈগদবশিংনা এন ইবুংঙো মৈতৈ, সী ঐচ পামৈ, এল অরুন, এন মহেশ, এম দি সনাৱর অলি, এন মালেমঙানবা, সী ঐচ কিষন, এন জি প্রেম, পি ঐচ জোতিন, এল নাওবা, এল সনাতোম্বা, এস কৃষ্ণকান্ত, ঐচ চাওরেন অমসুং এম ননাওনি। অমরোমদা, মেটচ ওফিসলশিংনা এস জেমসকুমারদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

ঙসি সেমীফাইনেল মেটচশিং শান্নগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা হৌজিক চত্থরিবা অহানবা প্রেমিয়র লীগ ২০২৩-২৪গী সেমীফাইনেল মেটচশিং হয়েং শান্নরগনি। অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা অয়ূক পুং ১১ তাবদগী হৌরগা এস এস য়ু শীংজমৈ অমসুং এস য়ু সগোলবন্দগী মরক্তা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা ৱাফা ৱাঙ্গোই অমসুং এ এফ এ মাওগী মরক্তা শান্নগনি।

ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট

অহুমশুবা রাউন্দগী ওইনা সঞ্জয় মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর চেছ এসোসিএসননা শীন্দুনা লাইনিংথৌ অমুদোন কম্যুনিটি হোল সগোলবন্দ তেরা অমুদোন অখাম লৈকাইদা চত্থরিবা অহানবা দব্লিয়ু লালমণি সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা অহুমশুবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে ঐচ সঞ্জয় মায় পাকখ্রে।

অহুমশুবা রাউন্দদা মায় পাকখ্রবা শান্নরোয়শিংদি এস প্রেমজিৎ, য়াম্বেম ধনবির, চিত্তরঞ্জন তাওরেম, ওইনাম নিংথেম, থোঙাম নবচন্দ্র, লাঞ্জম কেনেদি, কোন্সম জিবন, আর কে সুধিরসনা, এন পারি মৈতৈ, ঙাইরাংবম রতন, মোইরাংথেম সঞ্জিৎ, খোইরোম বিক্রমজিৎ, আর কে নিংথেম, ওইনাম খেলেম্বা, নাওরেম টোকিও, নদিয়া শৌগাইজম, অমোম শ্যামকিশোর, চবুংবম শমু, হুইদ্রোম রঞ্জন মৈতৈ, মোইরাংথেম রঞ্জন, রিচার্দ এলাংবম, পুয়াম লনচেনবী চনু, খুমন আইষ্টাইন, শিন্থোইবা নিংথেমচা, ৱাইখোম রাজেন্দ্র অমসুং পাওথাওদাই পামৈনি।

অহুমশুবা রাউন্দগী ওইনা তাইবংঙানবা কাঙবম বাইদা মায় পাকখ্রে। অহুমশুবা রাউন্দগী ওইনা আর কে ভোগেন অমসুং খ্বাইরাকপম রোকি, এ কিশোরচন্দ্র অমসুং হুইরোংবম বিদ্যাশ্বর অমদি লৈমপোকপম জেটলি অমসুং মোইরাংথেম মোধুসনা দ্রো চৎখি।

হৌজিক পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না শান্নরোয় ৬১না শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসিগী অপূনবা প্রাইজকী শেনফমনা লুপা লিশিং ৬০নি অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অহানবা তারবা মীওইদা প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ১৫ খূৎশিন্নগনি।

[illegible]

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯸ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1032

IM Michel Alejandro Diaz Perez (2433) - Amirhossein Majidzadeh (1734)
3rd Gran Canaria Online lichess.org INT (9), 2022.06.19

1.e4 e6	2.d4 d5	3.Nd2 c5	4.exd5 Qxd5	5.dxc5 Qxc5
6.Ngf3 Nf6	7.Bd3 Qc7	8.O-O Bd6	9.Nc4 Bd7	10.Nxd6+ Qxd6
11.Qe2 Nc6	12.Rd1 Qc7	13.c3 O-O	14.Bg5 Nd5	15.Qe4 f5
16.Qh4 h6	17.Bd2 Rad8	18.Re1 Rfe8	19.Rad1 e5	20.Bc4 Be6
21.Bb5 Bf7	22.c4 Nf6	23.Bxh6 Rxd1	24.Rxd1 Rd8	25.Re1 e4
26.Bxc6 bxc6	27.Bf4 Qa5	28.Bd2 Rxd2	29.Nxd2 Qxd2	30.Rb1 Bxc4
31.Qg3 Bd3	32.Ra1 Qxb2	33.Re1 Qc3	34.Qe3 Ng4	35.Rc1 Qe5
36.Qg3 Qb2	37.Re1 Qc3	38.Rd1 Qc2	39.Ra1 c5	40.h3 Nf6
41.Qf4 g6	42.Rc1 Qxa2	43.Rxc5 Qa1+	44.Kh2 Qa6	45.Qb8+ Kg7
46.Rc7+ Kh6	47.Rf7 Qe6	48.Rxa7 Nd7	49. ...	

QUESTION :
White to checkmate

Puzzle 1031 Solution :

35. …Rg1+ The black rook attacks White's king, which is defending the square h1. **36.Kh3 g4+** Opening the line from c3 to h3. **37. fxg4** Blocking square g4.
37.Kh4 Qf6#
37. ...Qc3+ 38.Kh4
38.Qe3 Qxe3+ 38.Rf3 Qxf3+ 39.Kh4 Rxg4#
38. ...Qg3+ Opening the line from h1 to h4.
Your moves:38...Qf6+
39. hxg3 Blocking square g3. **Rh1+ 40.Rh2 Rxh2#** Highstriker mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com